ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯁ꯭ꯄꯣꯔꯇꯁ
হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস
Friday, March 19, 2021, Imphal 



দোহাদা পাঙথোকপা টেবল টেন্নিসকী এসিয়ন ওলিম্পিক ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় শরথ কমাল মায়থীবা পীদুনা টোকিও ওলিম্পিক্সকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইগদবা রাউন্দ অমা মায় পাক্কদবদা ঙাইরবা গনসেখরন সাথিয়ান

মালেমগী বেদমিন্টন টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট অমনি হায়না লৌনরিবা ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী অহানবা রাউন্দদা মশাগী য়েৎ থংবা ফৈগন শোক্তুনা মখা তানা শান্নবা ঙমখিদ্রবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল



# জর্মনিগী বেয়র্ন ম্যুনিক অমসুং ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব চেলসি মায় পাক্তুনা চেম্পিয়ন্স লীগকী ক্বার্টর য়ৌখ্রে

UEFA CHAMPIONS LEAGUE



বর্লিন/লন্দন, মার্চ ১৮ (এজেন্সী): জর্মনিগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব ওইরিবা বেয়র্ন ম্যুনিক অমসুং ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব চেলসিনা মখোয়-মখোয়গী প্রি ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচশিং অদু মায় পাক্তুনা এগ্রিগেটতসু পাঞ্জল মশীং হেনবদগী য়ুরোপকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা জর্মনিগী সিটি ম্যুনিকতা লৈবা অলিয়াঞ্জ এরেনাদা বেয়র্ন ম্যুনিকনা য়ূম্বু ওইদুনা ইটলিগী ফুটবোল ক্লব লাজিওগা লম্বা তৌনখি। নীংশিংবা য়াবদি, টিম অনীনা মমাং থাগী ২৩দা শান্নরকখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদুদসু বেয়র্ন ম্যুনিকনা লাজিওবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখিবনি।

ঙরাংগী মেটচ অদুদা লাজিওনা বেয়র্ন ম্যুনিকপু মায়থীবা পীনবগীদমক পাঞ্জল ৫ চনবা মথৌ তাখি। অদুবু মেটচ অদু মখোয়না বেয়র্ন ম্যুনিককী মায়কৈদা কা হেন্না খূদুম চন্না শান্নবা ঙমখিদে। মদুগী ওন্নবদা জর্মনিগী চেম্পিয়ন ক্লব অদুনা শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী খ্বাইদগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় অমা ওইরিবা পোলেন্দ মচা রোবর্ট লিৱান্দোস্কিনা অহানবা পাঞ্জল চল্লগা শান্নবগী অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

লাজিওগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু কান্নবা ফংদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৭৩শুবা মিনটতা চেম্পিয়ন্স লীগ অসিগী হৌখিবা সিজনগী চেম্পিয়নসু ওইরিবা বেয়র্ন ম্যুনিককী মায়কৈদগী দেবিদ অলাভানা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট ইরিক মেক্সিমনা পাঞ্জল চন্দুনা ২-০দা মখা তানা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী ৮২শুবা মিনটতা লাজিওগী মায়কৈদগী এন্দ্রি পেরৈরানা পীবা বোলদা মার্কো পারোলোনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লগা মেটচ অদু বেয়র্ন ম্যুনিকনা ২-১দা থোইদুনা এগ্রিগেটতা পাঞ্জল মশীং ৬-২ লৈখিবদগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙরাং লন্দনগী ষ্টামফোর্দ ব্রিজদা শান্নবা মেটচতা য়ূম্বু চেলসিনা স্পেনগী এটলেটিকো মাদ্রিদপু ২-০দা থোইখি। চেলসিগী মায়কৈদগী জিয়েক অমসুং ইমর্সননা পাঞ্জল অমমম্ চনখি। এগ্রিগেটতা চেলসিনা ৩-০দা হেন্দুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

# হোক্কী হরিয়ানানা পেনাল্টি শুট আউটতা হোক্কী ঝরখন্দবু থোইদুনা সব-জুনিয়র ৱিমেন হোক্কীগী টাইটল লৌখ্রে



সিমদেগা, মার্চ ১৮ (এজেন্সী) : ঝরখন্দনা য়ূম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১০দগী হৌরকপা ১১শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সব-জুনিয়র ৱিমেন নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা হোক্কী হরিয়ানানা হোক্কী ঝরখন্দবু পেনাল্টি শুট আউটতা পাঞ্জল ৪-৩দা থোইরগা টাইটল লৌখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদু টিম অনীমক য়াম্না অকনবা লম্বাদা মায়োক্নদুনা মেটচ হেক হৌবদগীনা অপীবা মতম লোইবা ফাওবা চথনখিবা অদুনা মরম ওইদুনা অপীবা ক্বার্টর মরিমক্তা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

টুর্নামেন্ট অসিগী কাঙলোনগী মতুংইন্না অপীবা মতম লোইশিল্লকপদা মায় পাকপগী রিজল্ট লৈতবনা মরম ওইদুনা পেনাল্টি শুট আউট চথনখি। পেনাল্টি শুট আউট অদুদা হোক্কী হরিয়ানাগী মায়কৈদগী গোলকিপর ওইনা জর্সি নম্বর ১ নীধিনা ঝরখন্দগী পেনাল্টি শোটশিং অদুবু মায়োক্নখি। অমরোমদা হোক্কী ঝরখন্দগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১৮ লুগুন জসিন্তানা হরিয়ানাগী পেনাল্টি শোটশিং অদু ঙাক্ননবা শেম শাখি।

হোক্কী হরিয়ানাগী মায়কৈদগী অহানবা শোট অদু জর্সি নম্বর ৩ রিটিকানা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি। অদুবু হোক্কী ঝরখন্দগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৫ বাগে ইদলিন পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। অনীশুবা শোট য়ৈনবদা হোক্কী হরিয়ানাগী জর্সি নম্বর ১৩ সেজাল পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। অদুবু হোক্কী ঝরখন্দগী জর্সি নম্বর ১২ ধন বিনিমানা পাঞ্জল চন্দুনা ১-১দা লৈনখি। মখা তারকপা হোক্কী হরিয়ানাগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৭ সিৱাজ কনিকা মহাক্কী শোট পাঞ্জল ওইখি। অমরোমদা, ঝরখন্দগী জর্সি নম্বর ৯ মিঞ্জ নিশাসু পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা ২-২দা লৈখি। হোক্কী হরিয়ানাগী জর্সি নম্বর ৫ মনিশানা পাঞ্জল চন্দুনা ৩-২দা মাঙজিল থাখি। অদুগা হোক্কী ঝরখন্দগী দুংদুং স্বিটি পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী শোত্থবা হৌখি। হোক্কী হরিয়ানাগী রানা শাক্তি পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। অমরোমদা হোক্কী ঝরখন্দগী কুজুর নিরালি পাঞ্জল চন্দুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ৩-৩দা মান্নদুনা লৈবদগী সদন দেথ শান্নরকপদা হোক্কী হরিয়ানাগী মায়কৈদগী রানা শাক্তিনা পাঞ্জল চনবা ঙল্লগা হোক্কী ঝরখন্দগী মিঞ্জ নিশা পাঞ্জল চনবা ঙমহৌদবদগী ফাইনেল মেটচ অদু হোক্কী হরিয়ানানা ৪-৩দা থোইখি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী অহুমশুবা পোজিসনগীদমক উত্তর প্রদেশ হোক্কী অমসুং হোক্কী ওরিষা লম্বা তৌনবদা উত্তর প্রদেশনা পাঞ্জল ৩-১দা মায় পাকখি। মেটচকী অহানবা ক্বার্টরদা উত্তর প্রদেশ হোক্কীগী মায়কৈদগী পটেল বন্দনানা পাঞ্জল অমা চনখি। অনীশুবা ক্বার্টরদা ওরিষাগী দাদেল নিশানা পাঞ্জল ১ চল্লগা ১-১দা লৈখি। অহুমশুবা ক্বার্টরদা উত্তর প্রদেশকী য়াদব পুর্ণিমানা পাঞ্জল ২ চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না ৩-১দা থোইখি।

# এস দব্লিয়ু সী কৈরক অমসুং জে এ ককচীংনা মখোয়-মখোয়গী লম্বাশিং মায় পাকপা ঙমখ্রে



ককচীং, মার্চ ১৮(ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংনা শীন্দুনা ১৯শুবা ক্ষেত্রিময়ুম লৈহাও দেবী নীংশিং সুপর দিভিজন লীগ ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এস দব্লিয়ু সী কৈরক অমসুং জে এ ককচীং মায় পাকপা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি নুংথিল শান্নখিবা ৫শুবা মেটচতা এস দব্লিয়ু সী কৈরক অমসুং এস আর দি সী ককচীং লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ অদুদা এস দব্লিয়ু সী কৈরককী মায়কৈদগী শান্নবগী পাঙ্গল মায়োক্নবা টিম অদুদগী হেনবা ঙমখি। টিম অদুগী ওইনা মেটচ অদুদা পাঞ্জল ৫ চনখিবা জর্সি নম্বর ১০ বিদ্যাকান্তনা শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনট ৩গী মনুংদা টিমমেট সুমানন্দনা পাঞ্জল অমগা চনখি। মেটচকী ২৬শুবা মিনটতা বিদ্যাকান্তনা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা ৩-০দা লৈখ্রবা মতুং এস আর দি সী ককচীংগী মালরেংনা ৪২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেটচকী অহানবা হাফ অদু এস দব্লিয়ু সীনা ৩-১দা হেল্লগা লৈখি।

২শুবা হাফতা এস দব্লিয়ু সী কৈরককী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখিবা বিদ্যাকান্তনা থংন-থংননা ৪৮শুবা মিনট, ৫৪শুবা মিনট অমসুং ৫৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৩ চল্লগা মহাক্কী হেটট্রিক লাম্থোক্তুনা পূন্না পাঞ্জল ৫ টিম অদুগীদমক্তা চনবা ঙমখি। পাঞ্জল ৬-১দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা এস দব্লিয়ু সী কৈরককী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৯ দয়ানন্দনা ৬৭শুবা অমসুং ৮০শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ অমগা হাপচিন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না এস আর দি সীবু ৮-১দা হেন্দুনা লৈখি। এস আর দি সীগী মায়কৈদগী মালরেংনা পাঞ্জল ১ চল্লগা ৮-২দা এস দব্লিয়ু সীনা মায় পাকখি। ৬শুবা মেটচতা জে এ ককচীংগী মায়কৈদগী ওলিভরনা পাঞ্জল ১ চল্লগা এ কে এস এ ককচীং খুনৌবু ১-০দা থোইখি।

# এস ৱাই সী সগাংনা এম পি টু ৱাই এবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে

মোইরাং, মার্চ ১৮ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোইরাংনা শীন্দুনা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা এল কেরানি মেমোরিয়ল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২০-২১গী ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা মেটচতা এস ৱাই সী সগাংনা এম পি টু ৱাই এবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী পুংখায় অমরোম পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। শান্নবগী ৩২শুবা মিনটতা এস ৱাই সী সগাংগী জর্সি নম্বর ১১ এল ভারনৈরেংনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ এস ৱাই সীগী অতোপ্পা শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৯ মাংতে ইনাকনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ভারনৈরেংনা শান্নবগী ৫৩শুবা মিনটতা টিমগী ৩শুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। শান্নবগী ৫৬ শুবা মিনটতা এম পি টু ৱাই এগী জর্সি নম্বর ১১ এম রোবিন্সননা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং মখা তাবা শান্নবগী ৬৬ অমসুং ৬৯শুবা মিনটতা এস ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১২ অমদি ৬ লমনিনহাও অমসুং থাংজালেননা পাঞ্জল অমমম্ চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না ৫-১দা থোইখি।

# ওফিসলশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৮(ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমুকচম জয়কিষননা স্পোন্সর তৌদুনা লম্লোং থোংখোঙগী আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা থা অসিগী ২২দগী হৌগদৌরিবা ১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১ মপূং ফানা পাঙথোক্নবগীদমক্তা মেটচ কম্মিস্নর ৬, রেফরি এসেসর ৬, রেফরি ১৮ অমসুং এসিষ্টেন্ট রেফরি ১৭কী মমিং লাউথোকখ্রে।

অম্ফাগী মায়কৈদগী থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না খল্লবা মেটচ ওফিসলশিংনা ১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২১গী টুর্নামেন্ট কনভিনর ওইরিবা এল নবদা থা অসিগী ২০গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা অম্ফাগী ওফিসতা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

# এ টি আই কে এ এফ সীনা পুরৈরোম্বা এফ সীবু ৩-২দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস): ইমোইনু য়ুথ ফুটবোল এসোসিয়েসন (ঈ ৱাই এফ এ) না শীন্দুনা ৱাঙ্খেই নিংথেম পুখ্রি মপালদা লৈবা রামজি গ্রাউন্দদা অহুমলকশুবা ইমোইনু ট্রোফি ৫-এ সাইদ সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এ টি আই কে এফ সীনা পুরৈরোম্বা এফ সীবু পেনাল্টি শুট আউটতা ৩-২দা থোইখ্রে।

এ টি আই কে এ এফ সী অমসুং পুরৈরোম্বা এফ সীগী টিম অনীমক অপীবা মতমদা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদবদগী পেনাল্টি শুট আউট পাঙথোকপদা এ টি আই কে এফ সীনা ৩-২দা থোইখিবনি। টিম অদুগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি জর্সি নম্বর ১০ অবিট, জর্সি নম্বর ৯ কবির অমসুং জর্সি নম্বর ৭ এম দি অলিনি। অমরোমদা, পুরৈরোম্বা এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবশিং অদুদি জর্সি নম্বর ৬ রিশিকান্ত অমসুং জর্সি নম্বর ৮ জিমিকনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা এম কে ৱাই সীবু আই জি এনা পেনাল্টিদা ২-১দা থোইখি। অমরোমদা শান্নপুং এফ সীবু সলাই এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা এ এস এ এফ সীবু বোরিশ এফ সীনা ২-০দা থোইখি। অদুগা সঙাই এফ সীনা সলাই তরেৎপু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

# এস য়ু এফ এম খুনফমনা বি এফ এ নাচৌবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইখ্রে

বিষ্ণুপুর, মার্চ ১৮ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীনবা অহানবা লেট থোকচোম ইবোপিশক ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী ঙসি বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩১শুবা মেটচতা এস য়ু এফ এম খুনফমনা বি এফ এ নাচৌবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী হৌরকপদা এস য়ু এফ এমগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২৪ নরেশনা শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অদুবু বি এফ এ নাচৌগী মায়কৈদগী মিনট ১গী মনুংদা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ৯ সন্তোশনা মেটচকী ১৩শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা মেটচকী অহানবা হাফ অদু লোইশিল্লকপা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী টিম অনীমক ১-১দা লৈনখি।

শান্নবগী অনীশুবা হাফ হৌরকপদা এস য়ু এফ এমগী জর্সি নম্বর ৪ কিরননা পাঞ্জল ১ চন্দুনা বি এফ এবু ২-১দা মাঙজিল থাখি। মখা তারকপা মেটচকী ৫৬শুবা মিনটতা বি এফ এ নাচৌগী জর্সি নম্বর ১২ গ্যানেশ্বরগী ওন গোলনা এস য়ু এফ এমগী পাঞ্জল অমা ওইদুনা ৩-১দা থোইবা ঙমখি।

# শান্নরোয়শিং ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৮(ঐচ এন এস): ইন্দিয়ন পেনকাক সিলাট ফেন্দরেসনগী মীৎয়েং মখাদা পেনকাক সিলাট এসোসিএসন ওফ স্রিনগরনা য়ূম্বু ওইদুনা থা অসিগী ২৪দগীনা ৩১ ফাওবা কাশ্মীরগী স্রিনগরদা লৈবা ইন্দোর স্পোর্টস কমপ্লেক্স পোলো গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৯শুবা সব-জুনিয়র, জুনিয়র অমসুং সিনিয়র নেসনল পেনকাক সিলাট চেম্পিয়ন্স লীগ ২০২১দা শরুক য়ারুনবগীদমক মণিপুরগী নুপামচা অমদি নুপীমচা শান্নরোয় অমসুং টিম ওফিসল য়াওনা পূন্না মীওই ৩৩না শাবা মণিপুরগী টিম স্রিনগরগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে। টিম অসিগী ওফিসল ওইনা এল রঞ্জিৎনা কোচ, এন রোবিন্দ্রোনা মেনেজর অমসুং এন বোইনাওনা রেফরি ওইনা শরুক য়ারি।

# মণিপুরগী সেপাকটাক্রো শান্নরোয়শিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ২৭তগী ৩১ ফাওবা গোৱাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৩শুবা সব-জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস অমদি ২৪শুবা জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস নেসনল সেপাকটাক্রো চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী সেপাকটাক্রো শান্নরোয়শিং খল্লে হায়না দিরেক্টোরেট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিরেক্টর টি ফুলেন মীতৈনা থোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা ঙসি হৈঙাংগী আই এম এস য়ু সী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা অদুগী মতুংইন্না ট্রায়ল কম সেলেক্সন টেষ্ট অদু পাঙথোকখিবা ইন্টরিম কম্মিটিনা নুপামচা অমসুং নুপীমচা শান্নরোয়শিং অদু খনখিবনি।

২৩শুবা সব-জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস চেম্পিয়নশিপকী ওইনা খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি সাগর মোইৱাংথেম, হুইদ্রোম অনিশ, এম অশোক, লাইশ্রম অজয়রাম অমসুং মুতুম নিংতম্বনি। কাঙলূপ অসিগী নুপীমচাগীদা কে ঐচ দেবিকা, কে রুবি, ৱাই মালেমঙানবী, এন রিনা অমসুং সী ঐচ জেনিফর খনখি।

২৪শুবা জুনিয়র বোইজ এন্দ গলর্স চেম্পিয়নশিপকী ওইনা খল্লবশিং অদুদি নুপামচাগীদা টি বিরবল, কে ঐচ ভিকো, এল লনচেনবা, ঈ লোখোন অমসুং কে ঐচ তরুননি। অদুগা নুপীমচাগীদা এম জেনি, কে ঐচ গাইত্রি, টি মোনালিসা, পি রিশিতা অমসুং কে ঐচ দাইনানি। খল্লবা শান্নরোয়শিং অসিনা থা অসিগী ১৯গী অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা হৈঙাংগী আই এম এস য়ু সী গ্রাউন্দদা কোচশিংদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯂꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 Starts on 19th February 2021

Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi
1ST POSITION 2020

It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success. — Reshmi Nandeibam


TOPPERS of 2020
9TH POSITION NOVEENA KSH D/o. Sarvodayachand Nirmalabas
10TH POSITION CHALTAN Y. S/o. Y. Shantikumar St. Joseph
15TH POSITION TH. JEET S/o. Th. Rashi St. Joseph
19TH POSITION DHANTHOI S. D/o. S. Homeshor Nirmalabas
19TH POSITION MARY L. D/o. Dr. John P. Little Flower
25TH POSITION H. NANDIBALA D/o. H. Nandalal Nirmalabas
25TH POSITION HENRY O S/o. O. Kumud St. Joseph

HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST | Exam - Time 1p.m. to 4 p.m.

| Date | 22/03/2021 | 24/03/21 | 27/03/21 | 03/04/21 | 05/04/21 | 08/04/21 |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Sub: | Maths | MIL | S. Sc. | Science | English | Adl. Sub. |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342
HL-B/6780/10/2-17/3

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 56**

Stefanova, Antoaneta (2365) - Xie Jun (2510)
Yerevan ol (Women) Yerevan (4), 1996

**QUESTION :**
Black wins in 9 moves

**Puzzle 55 Ans. :**

**34.**Qd3 Qb6+ **35.**Kh1 Qb1 **36.**Qe2 Qd1
**36.**...Qe4 **37.**Rxe5 dxe5
**37.**...Qxe5 **38.**Qf2 Rxf2
**38.**...Qxd5
**38.**Kg1 Qxe2
**37.**Qe3 Rf1+ **38.**Qg1 Rxg1+
**38.**...Qxe1